ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ১৫, ২০১৬, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ২২৫ শুবা মশীং


# থাউ ফংদবগী অৱাবা

## মণিপুর মীয়ামগী চরম পায়রগা শান্নগনু

*সেনাপতি* দিষ্ট্রিক্টকী সদর হিলসকী শরুকশিং খায়দোল্লগা অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী জিরিবাম লৌথোল্লগা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট অনী শেম্বা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না ষ্টেট অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিংদা ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌবা হৌরকখি। থা অমা মখায়গী ইকনোমিক ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক পেট্রোল ফংনদবগী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরি। ঙসি নোংমা নীনিগী মতুংদগীদি দিজলসু পীবা লেপখ্রগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। ফীভম অসি কয়ামুক য়াম্না শোক্লবগে হায়ববু মহৈরোয় থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবা ভেন সার্ভিসশিং লেপখিবনা মরম ওইরদুনা মহৈশঙ অয়াম্বা থোঙ লোনখ্রে। লম্বীদা গাড়ী চৎপগী চাং শাথিনা হন্থরে। পুম্নমক অসিদগী হেন্দোক্লদুনা মীয়ামদা ঈ-পাউ ফংহনবগী থৌদাং লৌরিবা পাউমীশিং অমসুং দিষ্ট্রিব্যুটরশিংসু পেট্রোল ফংদবনা মরম ওইরদুনা মখোয়গী মথৌ চপ চানা পাঙথোকপা ঙমদ্রে। হোকর/দিষ্ট্রিব্যুটর খরদি থবক লেপ্পখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা পাউচে লিশিং/ লিশিং মীয়ামদা য়েন্থোক্তবদগী ওফিসতা তাদুনা লৈরে। অৱাবা ফীভম অসি মণিপুর লৈঙাক্ন া মতৌ কমদৌনা কোকহন্নবা হোৎনরিবগে হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী ৱাহংনি। লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা অখন্নবা খোঙথাংগী মখাদা নেসনল হায়ৱে-৫৩ (এন ঐচ-৩৭) দা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং লৌরুনবা ট্রক, টেঙ্করশিং ইম্ফাল থাদোক্নখ্রে। মশিং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং শিজিন্নদুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা ঙাক-শেলগী থবকসু লৌখৎখ্রে। অদুবু হংবা য়াবা ৱাহংদি থৌরাং অসি ইকনোমিক ব্লোকেদ হৌরকপা মতমদা তৌরম্লগদি হেন্না নুংঙাইরমগদবনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পন্দুনা লৈরিবা পোৎ পুবা অমসুং পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুবা ট্রকশিং ইম্ফালদা পুথোক্লবা থৌরাংসু তৌবা চুমগনি। ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদদি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌদোক কয়ামরুম থোক্কদবা লৈবনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীরোমদা পোৎ পুরক্লবা খুদিংমক্লা মিৎয়েং চঙবা মতম য়ৌরে।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামগী ঙকশম মেৎপদৌনা ঙাইহাক লৈতনা ইকনোমিক ব্লোকেদ চথবা হায়বসি লৈবাক অসিগী লোনসু য়াদে। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ অমসুং ষ্টেটশিংগী তোঙান-তোঙানবা হায় কোর্টশিংনা পীখিবা য়াথংগী মতুং ইন্না লম্বী থিংবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্ল চপ চাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। য়ু এন সীনা মমাঙথক্তা চত্থখিবা শাংলবা ইকনোমিক ব্লোকেদ অমগী মতাংদসু লম্নাই মীওই অমনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী মতমদুগী য়ু এন সীগী লুচিংবা অনী ৱারেন্ট ইস্যু তৌননবা খঙহনখিবা লৈখি। কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না মখোয় অনী ৱান্টেদ লাউথোকখি। অদুবু মণিপুর পুলিসনা মখোয় অনী ফাখিদে। মদুগী মহুত্তা য়াশিন্নবা পুরক্লগা তুমিন্না তোকখি। লৈঙাক্লা মখোয়দা য়াম্না থোৎনা য়েংবা মিৎয়েংনা মরম ওইরদুনা য়ু এন সীনা মঙক থেৎকত্তুনা লৈরি। লৈবাক ঙাকপশিংনা মখোয়গী মথক্তা করিমত্তা তৌবীদবনা মরম ওইরদুনা মতীক ময়াই চেনবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা উহল্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি য়ু এন সী শেমখিবগী মরু ওইবা পান্দমসি করিনো হায়বসিদগী হৌরগা লূপ অসিনা ঙাইহাক লৈতনা মীচম মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসি মতুং তারকপদা অমুক হন্না তৌদনবা লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক লৌখৎপা মতম য়ৌরে। ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর নৎত্রগা লৈঙাক্কী মমি চীংগী লমদা তাদ্রে হায়না লাউনরিবসি কোকহন্নবা পুলিস দিপার্টমেন্টনসু অকনবা থবক লৌখৎফম থোকপনি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মফম মরিগুম্বদা কম্মান্দো ফোর্সশিং থমগদবনি। মখোয়না ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা মতেং পাংহনগদবনি। মখোয়বু তম্পাকখক্তদা পুনশিন্দুনা থম্বনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কনাগুম্বা খরনা লোগী মায়োক্তা থবক তৌবদা লাকশিন্ননবা লৈত্রে। অমরোমদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা করিগুম্বা মীওইবা খুন্নাইগী খনবীরম্বা তারবদি হৌজিক চত্থরিবা মতম কক্তবা ইকনোমিক ব্লোকেদ অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি। মীয়ামবু চরম মেৎলগা শান্নরিবা থৌওং অসি মণিপুর অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা তরায়না লৌহন্নিংদে।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## কম্পেন্সেসন পীথোকপীরম্বা য়ারোইদ্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইকায়খুম্নবদা** মতিক চারবা সী এমগী মফমদা করিগুম্বা ৱাহৈ খরদং হঙ্গৎচরি মদুদি অদোম্না মণিপুরগী সী এম ওইবিরকপা অহুম্লকশুবা টার্ম লোইশিল্লক্কদৌরে। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা হৌরকপগী তাঞ্জাদা অরোং তুরেলবু প্রোজেক্ট ওন্থোকপীদুনা নাকল অনীমক্কী তোর্ব্বান পাকথোকহনবীখি অদুগা তুরেল খোংনুংসু শেংদোকপীখি। মসিদা তোর্ব্বান চাউথোরকপদা লৌমীশিংগী লৌ উদুনা চারিবা পাটা লমগী শরুক অয়াম্বা শোকহনখি। অশোকমন ওইনা কম্পেন্সেসনশিং পীগনি হায়না তাকপীখিবদা লৌমী অয়াম্বা হরাউনখি। শোক্লবা লৌমীশিংগী মমিং মথানচিংবা পাউচেদা ফোঙদোকপীখি একর মশীংগা লোয়ননা। মদু চাউরাক্লা চহী ৫/৬ লোমদি শুরক্লে অদুবু মসিগী ওন্ন তৈনবদা ঙসি ফাওবদা লৌমী অমত্তদা কম্পেন্সেসন পীরকখিবা লৈতে। মরম অসিনা খাঙবোক্কী লৌমী মীয়াম্না ৱারৌদবা ঙমদে। অতৈ অতৈগীদি লোয়না পীবিখি। অদুগা খাঙবোকলোম থংবা অরোং তুরেল তোর্ব্বান চাউথোকপদা শোকহনবীখিবা লমগী কম্পেন্সেসনদি পীবিখিদ্রে। পীফম থোকপা, ফংফম থোকপদা পীদ্রিবা, ফংহন্দ্রিবা অসিবু করি অশোয়বা লৈবদগীনো? লৌমীশিংদি থোইদোক্লা লানখিবা য়াওখিদব্রা খঞ্জে। অরোং তুরেল তোর্ব্বান চাউথোরকপদা চাউরাক্লা লৌখাই/শঙমগী লম শোক্লখিবনি।

অরোইবদা থমজনীংবদি, ওনরেবল সী এমনা সী এম ওইনা লৈরিঙৈদা অরোং তুরেল তোর্ব্বান চাউথোকপদা শোকহনবীখিবা লমগী ফংফম থোকপা, পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন অদুদি পীথোকপীরম্বদা করি অকায়বা লৈগদগে? য়ারগদি পীথোকপীরম্মু হায়না পাউচেগী থোংদা নোল্লুক্লা হায়জরি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১। ‘‘কনাসু ঐগী মিং খঙদে/ঐনসু হায়দোক্তে/অদুগা মাগা ঐগদি খঙই।’’ ৱাহৈশিংসি কনানা ইবা নোভেল্লাদগী লৌথোকপনো?

২। ‘‘কবি/মহৌশা লমদমদা লাকপদা/... মৌ নহাশিংনা নোকপদা/নঙনা করম্না নোক্তবা ঙমগনি।’’ কবি কনানা হায়বনো?

৩। ‘একাশি গঙ্গা’ লমকোয় ৱারীসিগী অইবীদু কনানো?

৪। ‘ইলিশা অমগী মহাও’ বু বেঙ্গলীদা হন্দোকপা অইবদু কনানো?

৫। ‘ঐখোয় অনীগী অনৌবা সংসার’ রেদিও লীলা অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।


ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# শেনয়েক অনৌবা শিল্লকপদা থেংনরকখিবা থৌদোক খরা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪১৫

**জিতেন নামৈরাকপম**




**মণিপুরদা** মৈগী ফীভম শাথিনা ফগৎলে হায়বা তাই। মরমদি হৌজিক অহিং-নুংথিল নাইদনা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কোর্পোরেসন লিমিটেদনা মৈ চাং নাইনা পীবা ঙম্লে। হায়জরিবসি ইম্ফাল এরিয়া অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসশিংগী ৱানি। অদুবু মনুং হুৎনা চীংনুং মানুং নৎত্রগা রিমোর্ট এরিয়াদা লৈবা য়ূমশিংদদি ইলেক্ট্রিক্কী মঙাল য়ৌরক্ত্রি হায়বা কাঙবুসু লৈরমখিগনি। তৌবতবু হৌজিক চত্থরিবা মওং অসিদা কোর্পোরেসনগী কাঙবুনা থৱায় য়াওনা চত্থবিবা তারগদি মণিপুর পূম্বদা মৈগী অৱাৎপা মতম খরগী মতুংদদি শোয়দনা কোক্লগনি খল্লি।

খ্বাইদগী নুংঙাইরিবদি মণিপুরদা চৎনরিবা প্রি-পেদ সিষ্টেমদা, মৈ কাঙলোন লান্না কোৎলগা টেক্স থিদনা মৈ থানবা য়াহন্দবগী মওং অসিনি। হৌজিক্কী পুং ২৪ মৈ থারকপা ঙল্লিবসিসু হায়রিবা সিষ্টেম অসিগী খুদোলনি। অদুম ওইনমক প্রি পেদকী তারা য়ৌশিনবা ঙমদ্রিবা মফমশিংদদি কাঙলোন কায়না কোৎলগা থানবা য়াওনরমখিনি খল্লি। মদুমক্তি তৌহন্নীংদে হায়নীংই। মরমদি এল ঈ দিগী বল্বনা মহুৎ শিনখ্রবা মতম অসিদদি নুমিৎ চুপ্পা অমা মৈ থানবদা নোংমদা লুপা ৭/৮ খক্তনি। হায়জরিবসি কা হেন্না মৈ কঞ্জুম তৌহন্দবা মিদল ক্লাসতা লৈবা ইমুং-মনুংশিংগী ওইবা হিসাবনি। নোংমদা মৈদা চাদিং তৌরিবসি, জর্দা মতপ অমখক্কী মমলনি। নোংমদা মৌশিংনা জর্দা মতপ ৭/৮ চাবসু য়াওরি। লুপা কয়ানো য়েংবিয়ু! লুপা ৭০/৮০ দি শোয়দনা ওইরমগনি। ক্বা, চুরুট, চা, খৈনি, য়ু থকপদনা শেল পাম্মুদ্রগা মৈগী টেক্স থিনিংদবা মীওই ওপার অমসু লৈরি। নুমিদাংগী মতমদা মৈ লাক্তবগী ঙালহন্নবা কেন্দল লৈরে খল্লসি, পেকেট অমদা মচৈ মঙা চনবদুদা লুপা ২০নি। লুপা ২০ গী কেন্দল ৫ দা কা খুদিংগী থানবদা পুং ২ ফানা চৎপা হৌনদে। অদুম মুৎখ্রগদবনি। অদুগীসু মথক্তা কেন্দলগী মৈদগী টি ভি য়েংবা য়াদে। আই এস টি ভি, ইস্পেক্ট টি ভিগী পাউ তাবা/উবা ফংদে। ৱাশীং মেছিন, রেফ্রিজিরেটর, ফেন, রাইস কুকর, গ্রাইন্দর, জুইস করি-করা অমত্তা ফঙ্কসন তৌহনবা ঙমদে। মোবাইল ফোন চার্জ তৌহনবসু য়াদে। অদুনদি মৈগী হায়বদি ইলেক্ট্রিক্কী মগুনসি কয়াদা লৈখ্রবা! মথক্কী ইলেক্ট্রোনিক্কী ওইবা পোৎলমশিং খ্বাইদগী শীজিন্নবা, ঈশিং চিংবগী টুলু ফাওবা শীজিন্নবা ইমুং অমগী নোংমগী খরচসি লুপা ১৫/১৬ তগী হেন্দে হায়বসি প্রি পেদ মিটর চেক তৌবদা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। অদুনা হায়জনীংবদি মৈসু ঙান্না থানসি, টেক্স থিবগী হৈনবীসু লৈনসি হায়বসিনি।

অইবগী য়ূমগী ফক্লাংদা নপ্লিবা প্রি পেদ মিটর অদু নহান নোংমদি টি-টা, টি-টা তৌদনা এলার্ম খোঙবগী মখোল তারকখি। লো মনি থারম্মী। শেল য়াওরম্মরোই। ক্রেদিট তৌবগী ফীভমদা শোয়দনা লৈরম্লগনি খনবদগী প্রি পেদকী ভৌচর কক্কে খন্দুনা চৎলি। নুমিৎ অদু হৌখিবা নবেম্বর ১০ গী অয়ূক্তনি। হান্নদি কৈশাম্পাৎতগী হেক হেক কক্লম্বদু ককৱারোমনা নকপনিনা মদোমদা হায়থরুই। ককৱাগী প্রি পেদ ককফমদুগী কেস কাউন্টরদা নহা অমা ফমদুনা লৈরম্মী। চৎমিন্নরিবা ঐগী মরুপকীগা ঐগী চেনিং অদুগা লিশীং চৎপী অমগা কাউন্টরদুদা ইনশিল্লগা লুপা ৫০০/৫০০ গী ককপীনবা হায়রুববু লুপা ১০০০ চৎপীদু লৌ হায়বা য়ারক্তে। হায়রকই “লুপা ৫০০/১০০০ লৌদ্রে।” “ইবুংঙো মৈগী টেক্স থিবদি তাং ১১ গী অহিং ফাওবা য়াই হায়বদাইনে” ঐনা ঙক্লা হায়রুবনি। অমুক্কসু হায়রুই “নখোয়গী ফুরিৎখাউদা হাপ্পবা পৈশাসু ওইরম্মোই, ওফিসকী ওইনা বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌগদবা নৎত্রা, মসিবু য়াফম থোক্ত্রা?” হায়রুববু মাসু কল্লপ খুল্লকই “অদুদা থেৎলিবদু পাবিয়ু, এম দিগী ওর্দরনি।” থেৎপসু থেৎলম্মী “ৱি ৱিলনোট এক্সেপ্ট ফাইভ হন্দ্রেদ, ৱান থাউজন দিনোমিনেসন...।” মদু উরুবদা এম দি অদুগী মথক্তা জগৎকী অকাম-অপেৎ শাউনা কামথরম্লগা অদুম থোরক্লে। এরোপ্লেন টিকেট, রেল টিকেট, পেট্রোল পম্প, মৈগী ঈশিংগী টেক্স থিবদা তারিখ ৮ গী অহিংদগী চৎনহনখিদ্রবা লুপা ৫০০/১০০০ চৎপীদু তারিখ ১১ গী অহিং ফাওবদা হায়রিবা ওফিসশিং অসিদদি শীজিন্নবা য়াই হায়বদু এম এস পি দি সী এলগী দাইরেক্টরনা খঙলমদবা অদু অঙকপনি। ঈ-পাউ তাদবরা নৎত্রগা ওফিসল ওইবা ইন্সত্রক্সন য়ৌরক্ত্রবরা মেন মান তাফাত্তে। তৌবতবু নোংঙাল্লকপদদি মৈগী খাজনা থিবদা লুপা ৫০০/১০০০ চৎপী অরিবদু লৌরে হায়বগী পাউ তাখি। কয়াদা মঙাউ থিখ্রবনো? তৌবতবু ইশাগী ওইনদি কেশ এস এম এস ট্রান্সেক্সন তৌফম রিচার্জ কপফম অমদা অহেনবা লুপা ৩০ হেল্লগা লিশীং চৎপীদু থাদরুই। করিসু কায়দে হায়না হরাউনা লৌহৌই। অরিবা ৫০০ অদুমক হল্লকখি।

হন্দক্কী মোদিজিনা লুপা ৫০০/১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবগী মতাংসিদি ফনবু নুংঙাইরি। ফেসবুক্তসু জাৎ জাৎকী ফোটো থাগৎলকই। লুপা ৫০০ না হৱাই চনা মকোন য়োমদুনা হামেং পুল্লগা মচিঞ্জাক ওইনা থাবিবা, ফ্রাইয়িং পেনদা গ্যাস ষ্টোভ থাগৎলগা ঙৌবা মখল মখলনি। অমুকসু ঙাঙনৈ ঐখোয়গী মনিপুরগী সুপর ষ্টার বোনিদি লুপা ৫০০/১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়বসি মাঙজৌননা চহী ২ রোমগী মমাঙদা খঙখ্রবনি। অদুননি ‘পিজা-২’ হায়বা ফিল্মদুদা মানা রেষ্টুরেন্ট মনুংদা চঙলগা মমান্নবা অমগা চৌ চৌ চাবদা লিশীং চৎপীনা চামচ শারগা কোৎলগা চারিদুনি। লিশীংনা নেপকীনগা ওন্থোক্তুনা মচিনগা তৈথোক্লগা হুন্দোকখ্রিবদুনি। মদুগী ফোটোসু থাগৎলক্লেদনা, অসুম্না ঙাঙনখি। ঐখোয়না চহী তরারোমগা শুরন্নগদ্রা কুমজা ১৯৭৮ গী অদুৱাইদা ওইরমগদ্রা খল্লি। লুপা লিশীং চৎপী চৎনদ্রেয়ে, শেঞ্জাউ পায়বা মীওই কয়া’মা পৈশা য়াম্না মাঙনখি হায়বগী মতাংদু য়েংলুরগদি হৌজিক চৎনরিবা অচৌবা শেনয়েকশিংসি শিন্দোকখিবনা মতিক চারবনি। মখোয়গী ফেক্ট নোট, জালি নোট শীজিন্নরকপদগী নোংমগী চারা তাঞ্জরিবা কৈথেল ফম্বী ইমা ইবেল, ইচে, ইচলশিংদসু অসুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওহল্লি। এঞ্জাং-নাপী, ঙা-চাক য়োঞ্জরিবশিংদা ফেক্ট নোট পীশিল্লম্বগী থৌদোক কয়া অমা লৈখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক থোকহনবা ঙমদনবা অমদি ময়ূমদা কনা খঙহন্দনা শেল বোরা বোরা লোৎশিন্দুনা থম্বা অমদি টেররিজমগী মায়োক্তা চত্থরকপা লাননি হায়না মোদিনা হায়খি। অদু ওইবা তারগদি হন্দক্কী মতাংসিদি খঞ্জিল্লুবদা পংনুংদা নুংঙাইবা অমদুম ফাওরক্লি।

মীওই ক্রোর ১২৫ হেন্না লৈবা ইন্দিয়াদা কুলি, রিক্সো দ্রাইভর হায়বদি শেল ৱানা তাঞ্জবদগী হৌরগা মথং মথং হায়গৎখিবদা শেল য়াম্না লোৎশিন্দুনা থম্লবা মীওইশিং ফাওবদা অঙকপা অমা পোক্লবমক্তনি। মখা শুম চৎথরকপদা হায়বা তারে। নহান অইবগী ইচাশিং থোকপশিংগা অদুম লৈমিন্নবা চহীনা নম্বো পোরক্লবা অবোক অমা হায়বা তারে মাগী ৱাখলগী পাউসু তমজনীংই। ইচা থোকপা নুপীমচা অদুনা হায়বজাৎনি “অবোক লুপা ১০ খক্তা পীয়ুবা, লৈত্রগা চাম্মা ওইরবসু য়াই, অচাপোৎ চাগে তৌবনি।” “লুপা ১০ সু লৈতে, চাম্মসু লৈতে, ইশুশা কনা কনাদনো হংলুরো মরম মোকপনি ইশুদি।” অসুম্না হায়রকখি হায়না পাউদমখি। অদুদগী মোদিজিগী অরিবা লুপা ৫০০/১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়বগী পাউদু নিনফুং নিনফুং তারম্বদগী দাইরেক্ট ওইনা ফনা মখোল হৌনা তারবজাৎনি। ঐবু কৌশিল্লকখি অদুগা হায়রকখি “পৈশা চৎনররোই হায়বসিবু চুম্বা? কায়থোকপসু য়াই হায়বদাই। তু কয়া শুগে য়েংঙু। কায়থোরকউ হায়রম্লগা অবোক্কী থুপচিল্লগা থম্লম্বা লুপা ৫০০/১০০০ চৎপী পুথোরক্লে। ঐনা মশীং থিরুববু লুপা ৫০০ চৎপী ৪৭ অদুগা মচু ঙাঙবা লিশীং চৎপীদুনা ৩৪ ওইরম্মী। খল্লি, অবোক্কী ব্লেক মনিগুম্বসি মোদিনা হ্বাইট পেপর ওলহল্লেদনা। মশা শোনখ্রবা অবোক হনুবী অদুদসু নামৈশেল হায়গদ্রা লুপা লিশীং ৭৮ গুম্বা লৈরম্মী। ঐনা অমুক হংলুই “অবোক্তা অঙাংনা লুপা ১০/২০ পীয়ু হায়বদা লৈত্রগা হৌজিক্লা শেঞ্জাউ লোয়না পুথোরক্লে। সিনা কমদৌবনো?” “নপা য়ানি মচাশিংদু লুপা ১০/২০/১০০ পীয়ুদা হায়। ঐঙোন্দা লৈবসু নত্তে। লুপা ৫০০/১০০০ হায়রম্মদি মফবা।” ৱাহৈশিংদু তাবদা ঐ তশেংনা ঙকখি।

# তাইবঙদা লম্মুক্নদনবা হৌজিক করি লাইনীং চৎকনি? -৪

**ৱাখল ইহুল**

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

**তাইবঙ** নমু ওইবা অমা পুন্সি চেঙজেল লোইরক্তুনা, অনা লায়েংবা ঙমলক্ত্রদুনা অমল শীং কুম্লগনি হায়বসি করম্না খঙগদগে হায়রবদি মিহুল চাম্মা-নিপান লূপশিল্লক্লগনি। শজিক্তগী পুরকপা চেঙঙা কৌবা তাইবঙ শজিক য়েন্নৌ হুনবা থৱায়গা, থাবাদগী পুরকপা তাইবঙ য়েন্নৌ হুনবা য়ুহা কৌবা থৱায়গা অনীমকসু চীঙঙু অরূম্বনা ফাদুনা খমনুঙ মপূংয়াইদা পুখরে অদুগা মালংবগী লাংওল ওইরিবা ‘শাবী নোংতা চেঙখল য়াঙ’ অমসুং ইরোই ৱাবসু, অসুম্না মপালগী য়াইবী থৱায় মরিসু খমনুঙ লৈপাক্তা য়িতাল্লক্লে। য়ারৌ শাতোকপদা ঙাইহৌরে। পান্দা লৈবা থৱায়গী মনূংদা ‘ইরোই ৱাবগা, য়ারৌ শতোকপগা’ অনী অসিদি তাইবঙনা কল্লিঙৈদদি অহিং তাংলৌগী মতমদদি তান্না তান্নদুনা লৈবদা অনীমক তান্না ফংদে। অয়ূক-নুংথিলগী মতমদনা মখোয় থৱায় অনী উনদুনা ৱা ঙাঙনদুনা লৈববু তাইবঙ পানবনা ‘থৱায়-মি ফম্বা’ কৌনৈয়ে। হায়রিবা ‘থৱায়-মি ফম্বা’ হায়বসি থা অমা চুপ্পা শামু হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হোং হোংদুনা লৈ। অদুগুম্বা মফমদা শোকপা পনবা তৌরবদি ফৎতবা ওইগল্লি। খুদম ওইনা শম, খুজিন ককপা, য়ৈখাই থিনগাইবা, মৈনা পোকপা, ওপরেসন্নচিংবা তৌবা ফৎতে। অদুনা তৌগদবা থবক্তু থৱায় মি কদায়দা লৈবগে হায়বসি মাঙজৌননা য়েংবা মথৌ তাই।

য়ারৌ শাতোকপদি তাইবঙগী য়ূমগী শাইজিন-শায়াদা, থোঙজিন-থোঙয়াদা থুপ্তুনা, লুমদুনা নুংগী য়াইবী থৱায় মঙাবু ঙাইদুনা লৈরকপনা, পানগী য়াইবী মরিনা চৎখ্রবদা নুংগী য়াইবী মঙাসু খাঙবা য়ারক্ত্রে। ফীভমসি ওইরক্লবদা নহান নোং তাইবঙ হকচাং, নুংদা অরোয়বা মতমদা শীৎহন্নবা মপুনা থম্লম্বা থবাক ঙানফম নুংশিৎ মহুম নুংদা মালং তরা হৌরক্লে। খাখোং, লাইখোং, মরোঙখোং, অহুম্মক্তা শীৎলক্লে। তীললিরেল, খাইয়িরেল, লাইয়িরেল অহুম্নসু, শীংলি পাফল ১০৮ সু, থবাক মহুম নুং, নানপম শনকোলগী খামপি মৈরম তরানিথোইসু লোয়নমক হৌরক্লে। মালং নুংশিৎ তরামক্কা লোয়ননা হৌরক্লবদা খাগী চীংনুং হুৎ থৌদু নুংথোল থিংখ্রে।

মঙাং লাইনিংহনবনা পারী লুৱাং লাইকোয়দা অসুম্না অমুক তাকপীরক্লে - নুংগী নুংশিৎ তরামক্লা অরোয়বদা ক্বাক্তা চীংলুখম (কময়া ফমখোঙ) দা য়িলতাল্লক্তুনা তাক্লা খোং য়াওরৈবী খোং য়ৌশল্লক্লে। তাক্লা খোং হুললাল্লমদুনা থাংচীং চীংলু খুমদা য়ৌশিল্লক্তুনা ইপুমলেল কৌবা শীংলিদা নুংশিৎ চঙখ্রবদা মিহুলশিং ‘তঙ-তঙ’ হায়না হুল্লম্বদগী ‘পিং-পিং’ হায়রম্বদগী নুংশিৎ পোখায়বদগী ‘য়ঙ-য়ঙ’ শিৎলক্লে।

খাখোং তীললীরেল হায়না কৌবসিগী মখাদা ইপুমলেল কৌবা শীংলি অমা চৎলি। মসিগী মখাদা চৎলিবা শীংলি অসিগী মমিং য়োইমোংবা হায়বসিদা নুংশিৎ চৎলিবসিনি। তীংলিদা তীন চৎপনে। ময়ায় থংবদা মরোঙ খোং কৌবা খোয়দৌ মখাদা পুবা খোংলিগী মমিং লাইয়িরেল কৌবসিগী মখাদা তাউরোইনাই কৌবা শীংলি অমা, মদুগী মখাদা লৈবদুনা লিনতাউরেল কৌয়ে। অসুম্না মরোল অহুম চৎলিয়ে। য়েৎকী পাফনদা খায়িরেল কৌবা লাইখোং কৌবা শীংলি অমা চৎলি। মসিগী মখাদা ইতাউরেল কৌবা শীংলি অমা লৈয়ে। মসিগী মখাদা অমুক তাউথিংমাং কৌবা শীংলি অমা লৈয়ে। হায়রিবা মিহুলশিংসিদা লাইজ ঈগা, মালং নুংশিৎকা পূন্না পুদুনা লৈরিবনি।

তীংলিদগী তীলনা কৌব্রু শন মরুম শাবা, লূখমগী মরী উমংদা তীললি শিদবগা তিন্নখিদুনা লাইজ মালং, খামপি হৌরক্লে। অসুম্না খামপি মৈনা মাঙদা থা, মালং নুংশিৎনা য়ায়দা চল, লাইজ ঈশিংনা তুংদা ইন, তৎতনা চাকশিল্লকপনা মৈচাক খাঙবা ঙমশিল্লক্তবদগী নুংগী য়াইবী থৱায় ওইরিবা মিহুল-থাহুল পূম্নমক লৈবা য়ারক্ত্রে। খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা মমি পুথোক্তুনা ওইখিবা মিহুলশিংদু পন্থনা লৈবা ঙম্লক্তবদগী খোইয়ুম লাই মরু য়াইবীরেল শিদবা কৌবা মপু কোরৌদা মিহুল ময়াম লাক্লগা তিল্লরববু ‘হয়িং কৈথেল কাবা’ কৌয়ে। মিহুল ময়াম্না অৱাং নোংথৌ সোরারেল কৌবা মিহুলদা অসুম্না ৱাকৎলরে- খাঙবা ঙমলক্ত্রবা মৈচাক্লা মোংবা ইশাইকোল, ঐখোয়না লৈরিবা লিনথুপ পূম্নমক খামপি মৈনা চাকখ্রে, লৈবা ঙমশিল্লক্তবনা, তাইবঙবু হুল্লামলম্লসে, পারী লুৱাং।

অদু নোংদা লাইয়িংথৌ সোরারেন কৌবা মিহুলনা হৌরক্লিবা মিহুল পূম্নমকপু ৱাংলেল ঙহাক ঙাইরম্নবা হায়রম্লগা তাউরোইনাইগী শয়াঙ থক্তা য়াতাদুনা লৈরিবা তাইবঙ শেম্বা, লমলেন কুরুম চীংগী মখা খুদোল অনী মখায় হায়থরগা খোংগী মনুংদা লৈরিবা লাইয়িংথৌদা অসুম্না হংগৎচরে- তাইবঙ শামু হকচাং নুংদা পুরিবা য়াইবী পূম্নমক্কী লিনথুপ্তা লৈবা ঙমলক্ত্রে হায়রবনা কমদৌশিবনো। মদুদা লাইয়িংথৌ হনবনা মালেম কোরৌসু তাইবঙসু শেম্বা অশিবা কোঙয়াঙ ৱাপিহল নঙনা লাইপক খেল্লাই থোঙদা য়াংগোইরগা পনম য়াইবীরেলদা অমুক্তা হংগৎলু। অদু নোংদগী অশিবনা পনম য়াইবীরেলগা মফমদুদা খোঙশানখিদুনা ঙাংলৌ খাদা খূৎফাং অনী লোন্নদুনা মুকসু লৈতোল কোয়না পুনেম্লগা হঙ্গৎচরক্লে- “হে লাইয়িংথৌ ইবুংঙো, পনম য়াইবীরেল শিদবা! মপু নঙগী শিন্থা নোংদম মতুং ইন্দুনা নদাইরেম ঐখোয়না তাইবঙ শামু হকচাং ঙাকচববু খামপি মৈরম তরানিথোই হৌরক্লে, মালং মথি নাইরে, লাইজ চাউথোইরে। নদাইরেম ঐখোয়দি লিনথুপ্তা লৈফম লৈরকত্রে” হায়না ৱাহোমজরকয়ে।

মতমদুদা পনম য়াইবীরেল শিদবনা অশিবদা তাইবঙ মীহক অসিদি য়াম্না পাম্মুই, নৌনা মাঙহন্দনবা লিনথুপ্তা চাক্লিবা খামপি, লাইজ, মালং অহুম অসিবু খামলুনবা তাকপিরে। খাম্বদা শীজিন্নগদবা পনম লাইমিং অসুম্না তাকপিরে। লাইজ ঈশিংগী মিংলেলনা ‘রো’, মালংগীনা ‘মো’ অদুগা খামপীগীনা ‘হো’ কৌবনে। মৈ ঈশিং, নুংশিৎ ওইবা ‘হো রো মো’ হায়বসি নহা-অহল, থক-খা কায়ফদে। অদুবু ‘হো রো মো’ হায়রবদি মৈচাক কনবা ওইবনা তাইবঙ মীহক লোইশিনবা মিংলেলনে। তাইবঙ মাঙহনগনুসে পারী। অদুনা ‘সো রো হো’ হায়না শোল্লুও, মথননতা মৈ নেমজখিগনিয়ে হায়না তাকপীবদগী অশিবনা পনম য়াইবীরেল শিদবগী মনাক্তগী হলৱাইরক্তুনা ‘সো রো হো’ হায়বা লাইমিং অসি শোনবদগী খামপি মৈ নেমথখিদুনা অদু নোংদা মিহুলশিং ঙম্না মাগী মাগী মফমদা হনথরকখি। মতমদুদগী তাইবঙ মীদু ‘হয়ি’ গী মিংলেন শোল্লক্লে, পারী লুৱাং।

নহাল নোং পল্লেম মমাগী শীয়োমনুংদা লৈরিঙৈদা অশিবনা অঙাং নৌৱাবু তাইবঙ পানদা থোক্লবা হায়বদা নৌৱানা তাইবঙসিদি অৱাবা মৈচাক কল্লি হায়বা তাজবনা, অৱাবা মৈচাক খাঙবা ঙমজরোই হায়না তাইবঙদা থোকচরোই হায়না য়াখিদে। মদুদা অশিবনা, নৌৱানা তাইবঙ পানবদা অৱা-অনাগী মৈচাক খাঙনবা লাইনীং ‘হয়ি-ও হে ইমা’ অসি হায়না শোল্লবদি তাইবঙগী মৈচাক খাঙবা ঙমগনি হায়না তাকপীখিবদা নৌৱানা মখা তানা ‘হে কুরু, হয়িদি তনবা (হনুপা-নুপী খায়দবা নপুংশক) নিপানি হায়বা তাজিয়ে। কুরুনা হয়িবু পল্লেম ওইবনি হায়বীবদি করম্না ওইবনো তাকপীও হায়না হায়জখি। অশিবা কুরুনা হয়িবু পল্লেম ওইবনি হায়বীবদি হয়িদি তাইবঙ পানবদা মথন্তা ঙায়রিঙৈদা, মশক্তি মথেক অহুম শুইয়ে, মশাগী মঙালতনা লংলগা মচিন লুকথৈ, মনম হুল্লে, মমৈ হায়গৎলে - মাবু ‘অনচি শিদবা’ কৌয়ে। মানা তাইবঙ শেম্লগে নীংলদুনা ‘ৰুং’ হায়না ঙংবদা তাশিনখিবা মতুমদুনা অমুক ‘হুঁ’ হায়না ঙংবদা তনবা নিপা অমা থোক্লে। ‘য়েং’ হায়না ঙংবদা থবাক ময়ায়দা তজ্বায় তাবদা য়েৎথংবনা তনবা নিপা ওইরগা, ওই থংবনা নুজা অমা ওইরে। য়েৎকীনা ‘হয়ি’ অদুগা ওয়গীনা ‘হয়া’ কৌরগা - ‘হয়িগা হয়াগা’ মশাদি অমৎতনে। অসুম্না, মানা তাইবঙ শেম্লে। হয়ি শিদবদি পন্থৌ পল্লেম ওইরিবনে। তাইবঙ পানবগী নাল্লেম মমাসু ওইবনে। মানা শেম্বীবনা মানা মৈচাক মুৎপিগদবনা - তাইবঙগী অৱা মৈচাক্তি ‘হয়ি-ও হে ইমা’ হায়না শোল্লগা মুৎনরু’ তাকপীখিবা লাইমিংদো ‘হয়া ইমা’ হায়না তাইবঙ মীহকনা শোল্লে খঙও হায়না খঙহনবিরে। অসুম তৌবদগী লিনথুপ্তা লৈবা মিহুলশিংসু মাগী মাগী মফমদা হন্থনৈ।

‘হয়ি হয়া, শিদবা মপুনা য়াইফরে’।